হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, মে ১৬, ২০২৩, ইম্ফাল

৪৭শুবা চহী, ৫২শুবা মশীং

# সরকারসি ‘সু’ না শোয়নাইহল্লব্রা

## সেন্টরসু, ষ্টেটসু শুমজিনখ্রবরা

মণিপুরদা ‘সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন্স’ (সু) হায়রিবা ৱাহৈ অহুমসি মতৌ করম্না হৌরকখিবনো? কনানা হৌদোরকপদগী করম্বা ষ্টেট লৈঙাক্কী মতমদগী মরূ-মরা তানা লৈরকখিবনো হায়বশিং য়াম্না ময়েক শেংনা লৈরি। চনৈ-খনৈননা অমসুং মরীং-মরাংনা লৈবা নত্তে। মণিপুর অপীকপা ষ্টেট অমসু ওইবনিনা মীপূম খুদিংমক্না শিৎ-নান্না হোত্রোং হোনা খঙনরিবনি। অহানবদা মণিপুরগী লালহৌবগী ঈরাংশিং লাকশিন্দুনা নমথনবগীদমক ষ্টেটসিদা থাজিল্লকখিবা খূৎলায় পায়বা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা কুকি ফুরুপকী মনুং চনবা মীওই কাঙলূপশিংগী অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেসনশিংগগী মরক্তা তৌনখিবনি, থম্নখিবনি। নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থানবা লেপ্পবগী য়ানবা থম্নখিবনি। থবকসি নাকল অনীমক্তা কান্নবা, ওইজ-ওইথক ফংনগদবা ফিরেপ ওইরকপনা ফম্বা চল্লে হায়দুনা মখোঙ শাংনা তিংথোক্তুনা হিপথরক্তুনা মরা তাশিল্লকখিবনি। মসিদগী মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থাক্তা ফাওবা য়ৌখৎলক্তুনা লৈঙাক অনীগসু সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন্স (সু) গী অয়াবা থম্নরকখিবনি। য়ান্নবসি চুম্নখক্কী খূৎলায় থানদবখক নত্তুনা কুকিলেন্দ অমগী মঙ মঙজরকখিবা কুকি লালহৌবশিংগীনা মখোয়গী পান্দম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী মীহুৎশিংগা ৱারী শানরগনি, ৱারোইশিন পুরক্লগনি হায়বগী থাজবা পোকপনি। অদুগা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মায়কৈদগীনা ‘সোভরেন্টি’ গী ৱাফম টেবলদা থমদ্রিবা ফাওবদি মখল অমত্তগী ৱারী শান্নরোই হায়দুনা শিখাং খাংলক্লিবা মণিপুরগী অতোপ্পা লালহৌবশিং থেংনমিন্নবদা ‘সু’ গী অয়াবা থম্নরিবশিংগী মতেং কৈনা নাপীগী মপাল তাংবদৌনা লৌরকপনি।

অদুবু লৈবাকসিগী লৈঙাক্লোন্না কৈদৌনুংদা লৈবাকসিগী ফিবান্নুংদগী নান্থোক্তুনা তোঙান তারগে হায়বগী দিমান্দসিদি পীরক্লোই হায়বসিদি মণিপুরগী কুকি লালহৌবশিং য়াওনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা লান হৌরিবশিংগী মরক্তগী খরনা খঙদবগুম তৌরি। অদুবু মসিগী ময়েক শেংলবা খুদমদি শিল্লোং একোর্দতগী হৌরক্লগা মিজোরামগী ‘মিজো নেসনল ফ্রন্ট’ (এম এন এফ) মতৌ করম্না লোইশিনখিবনো হায়বদুগী হৌজিক ফাওবদা কুম পুদুনা লাক্লিবা ইন্দো নাগা পিছ টোক অসিগা তুনা য়েংবদা ময়েক শেংনা খঙবা ঙমগনি। মরমশিং অসিনা মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্না ‘সু’ তৌনরক্লিবা মণিপুরগী কুকি লালহৌবশিংগী মরাইবক করি ওইরক্কদগে হায়বসি হৌজিক তম্বা ঙমদ্রিবনি। মসিনা তোঙানবা ৱাফমনি। হৌজিক লাক্লিবনা ‘সু’ তৌনরক্লিবা কুকি লালহৌবশিং অসি য়ান্নবসিগী মতুংইন্না মসিগী য়ান্নরোল হায়বদি ‘গ্রাউন্দ রুলস’ শিং ঙাক্লা চৎফম থোকপদা চৎলিব্রা হায়বনি। হায়রিবশিংসি ঙাক্তুনা চৎননবগীদমক য়ানবসিদা য়াওরিবা লৈঙাক অনীমক্কী ওফিসলশিং য়াওবা ‘জোইন্ট মোনিটরিং গ্রুপ’ (জে এম জি) ফাওবা শেমদুনা থম্লক্লিবনি। অদুবু হন্দক মে ৩, ২০২৩দগী থোকখ্রিবা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং অদুদা ‘সু’ দা লৈবা কাদরশিং য়াওশিল্লে হায়বগী ময়েক শেংলবা খুদমশিং লৈরি। মে ১২, ২০২৩দা মণিপুর লৈঙাক্কী সিক্যুরিটি এদভাইজর কুলদিপ সিংহনা চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিএটতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা সুগী দিজিগনেটেদ কেম্প খরদা লৈফম থোকপা কাদর মশীং অমসুং খূৎশু-খূৎলায়শিং শুনা লৈরমদবা থেংনরে হায়বগী ৱাফম ফাওবা ফোঙদোকখ্রে। মরম অসিনা লৈরিবা লৈঙাকসি ‘সু’ না শোয়নাইহল্লব্রা? সেন্টর অমসুং ষ্টেট অনীমক শুমজিনখ্রবরা হায়বা ৱাহংসি হংনরক্লোইদবগী মরম লৈব্রা? ৱাহংশিং অসিগী চপ চাবা পাউখুমশিং মরী লৈনবা লৈঙাক্কী ওথোরিটিনাপীননবা হোৎনবগা লোয়ননা থোরক্লিবা থৌদোকশিং অসিবু শাংথহল্লক্লিবশিং মশক খঙদোক্লগা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং পন্থদনা লৌখৎলু।

# তংদু লৈতাদ্রিবা মণিপুরগী শক্তম উরুবদৈ, থেংনরুবদৈ

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৭৫৪**

**জিতেন নামৈরাকপম**

লমদম অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিনা অতোপ্পা হীরম অমত্তদা কোক থাদরুবা ঙমদ্রে। নুংঙাইতবা পাউ ঙাক্তনি। নুংঙাইনিংঙাই ওইবা পাউ মচেৎ অমত্তা য়াওদে হায়বা য়াই। যূম-কৈ মৈনা তুম্না থাদোকপীখ্রবশিংগী অৱাবা পাউদম মায়কৈ খুদিংদা য়েংলুবদা নীংঙমদবগী নীংঙমদবা মক্তনি। হৌজিক কর্ফিয়ু খরা কোমথোক্লে হায়রগসু চীংগা শম্নবা তম্পাক্লমশিংদা কাপ্পবা, যূম মৈ থাবগী থবক চথবা লেপ্পা লৈত্রি হায়বগী পাউ তাবা ফংলি। সিক্যুরিটি এদভাইজর কুলদিপ সিংহনদি চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা লেপত্রি হায়জরগসু মফম খরদদি মীচিক মীরাওখোল তাদবা মতমদা ইহো হোবগুম তৌরি। পূম্নমক য়েংবদা মৈতৈ-কুকি নাকল অনীমক্কী মনুংদা থোকখিবা ঈরাং অসি নুমিৎ তরা হেল্লবসিগী মতুংদদি মৈতৈ খুল খরতদা নৈবীবগুম তৌখৎলক্লে। সু - সস্পেন্সন ওফ ওপরেসনদা য়াওরিবা খূৎলায় মতিক চানা পায়বা কাঙবুনা ফোংনা থোরক্তুনা মৈতৈ খুলশিংদা অতম্লনা চঙশিন্দুনা তান্থোকপগী পাউ ঙাক্তনি তানরিবসি। মসিদা অহিং-নুংথিল চূপ্পা লেপ্তুনা পাইরকখিবা লানগী প্লেনদা হোল্লকখিবা অদুক য়ামখ্রবা মতেং পাংনবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদুবু কৈদৌদনা লৈরিবগে হায়বসি মীয়ামগী ৱাহং ওইদুনা লৈরি।

লানবু কনানা পাম্নবগে? লান হায়বসি হৌজিক্কী মতম অসিদদি নাকল অনীমক্তা মাঙজবা ওইরগদবা, নাকল অমত্তনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্লরোইদবনি। মরক অসিদা ষ্টেট ফোর্সশিংগী মনুংদা শিবা শোকপা ফাও য়াওনখ্রে। ইন্দিয়া ম্যেনলেন্দদগী হোল্লকখিবা সিফাইশিংদি মতিং থোক্লা ঙাক শেনবীবগী পাউ ইতা তাদবগুম তৌই। ইম্ফাল ময়োল খরদা নৈশিন্দুনা চুড়াচান্দপুরগুম্বা, তোর্ব্বুংগুম্বা মফমদদি নিংথি নুংঙাইনা ঙাকপীদে হায়বগী ৱাকৎ ওইনা তৌরি। লৈতানপোকপীদসুনি নুপাশিংনা দব্বল বেরেল ৩০ রোম শীজিন্নদুনা লাল্লক্তা ঙাক শেনবগী থবক তৌরি হায়না থম্মোয় শোক্লা পাউদম্বগী পাউ তাজে। অমরোমদদি কুকিশিংগী ঈরাং লৈত্রে হায়বা য়াই। ইম্ফাল ময়োল অমসুং অকোয়বদা খঙহৌদনা হৌরকপা মৈহৌ অমনা চথুখিবদু নুমিৎ শাংখিদে। নোংমা নীনিদা লোইশিনখি। মখা শমথরকখিদে। অদুবু চোইনা তারিবা মৈতৈশিংগী মথক্তা চথরক্লিবা খুল তান্থোকপা অমদি হৌজিক ফাওবা লেপ্তুনা চথরক্লিবা অকি অখং অসিদি লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা অরৈবা পান্বে শীজিন্নদুনা মতেং পাংশিনবীদ্রগদি মৈতৈগী খুল তুম্না মূৎখিবা হায়বসিদি শোয়ররোইদবগী ফীভমদা লাক্লে। মরমদি চীংগা তায়নবা মৈতৈ খুল অমত্তা লৈতানা হৈবা ঙমদ্রে হায়না মীয়াম্না ঙাঙনরক্লি।

মীয়াম্না হৌজিকসু ঙাঙনরি মদুদি হৌরক্লিবা লান অসি কাঙলূপকী ঈরাং নত্তে। হান্ননা নিংথিজনা চথরকপা, মতম কুইনদগী থৌরাং তৌরক্লবা প্লাননি। মৈতৈগী খুল তুম্না মূৎখ্রসনু হায়না চথরকপা প্লান ওইরমগনি হায়নরি। হন্দক্কী ঐখোয়গী সী এমগী খোঙথাং করিসু শোয়খিবা লৈতে ঙাঙনৈ। মরমদি মণিপুরদগী পোপি পান্বী তুম্না মাঙহনখিবা, সী এমগী ৱার ওন দ্রগস থৌনা ফবগী খুদমনি। মমাঙগী চীফ মিনিষ্টর অমত্তনা তৌবা ঙমখিদবা থবক বি জে পিগী অনীশুবা লৈঙাক্লা চথরকপা খোঙজংনি। মসিদা ৱার ওন দ্রগসকী মায়োক্তা লৈরকপা খুদিংমক অমত্তা লেম্না থারোইদবনি, তুম্না মাঙহনখিগদবনি হায়বসিনি। হীরমসিদা লৈঙাক্লা পূক্নিং হনফম থোক্তে। ঐখোয়গা হান্না য়েলহৌঙৈদগী লৈমিন্নরকপা নত্তবা চাওবোক ওইনা পোক্লকখিবা ম্যান্মাররোমদগী হাইজিল্লকপা ইন্মিগ্রেন্টশিংনা চথরকপা লাল্লোং ওইগনি হায়নরিবসিদা লানগনি থাজদে।

হন্দক্কী লৈঙাক্লা চথরকপা অচুম্বা খোঙথাংদা লান্না উহন্নবা হোৎনরকপসিদি লাইবক থীবনি হায়নীংই। মরমদি ঈরাং অসিগী হৌরকফমদি চুড়াচান্দপুরগী লমকাদা লৈবা পি টি কমপ্লেক্সতা চীফ মিনিষ্টরনা চুড়াচান্দপুরগী মীয়ামদা খূৎশিন্নগদবা ওপন জিম অমা শঙ্গানবগী মচাক মথুম পূম্নমক তুম্না মৈ থাদোকপদগী থোরকপা ঈহৌনি হায়না লৌবা য়াই। নুমিৎ অদুদা আইনগী মায়োক্তা লৈবশিং অমত্তা লেম্না থারোই অমদি এক্সননা থবক ওইনা উৎলক্কনি হায়খিবা চীফ মিনিষ্টরগী ৱাহৈদা অশোকপদা থুম থাকচিনখিবগুম ওইখিব্রা ঙাঙনরি। মসিমক্তি লৈঙাকপা অমা ওইনা তৌফম থোকপা মথৌনি। চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈঙাক্লা রিজার্ভ ফোরেষ্ট অমসুং প্রোটেক্সন ফোরেষ্ট য়াওনা ৱেটলেন্দ অমদি সেঙ্কচ্যুরিশিংদা চথগনি হায়না থৌরাংলিবা সর্ভে তৌদনবা আই টি এল এফনা হায়জখিবগী মায়োক্তা হৌরকপা ঈহৌ অমা ওইখি। মণিপুর হায়বা লমদম অসিদবু চীংদনা লো অমা অদুগা তমদনা লো অমা চৎনবা য়াগদৌরিব্রা? মীয়াম্না নীংশিংবীরমগনি ৱাইথৌ চিঙ্গোলদা রিজার্ভ ফোরেষ্টতা চথখিবা সর্ভে। আইন কায়না শাজিল্লম্বা যূম ৬০গী মথক্তা লৈঙাক্লা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মতেং লৌরগা লৌথোকখিবদা তমদা লৈবা মীওইশিংনা কনামত্তা করিমত্তা হায়নখিদে। লৈঙাক্কী তৌফম থোকপা থবক অদু পায়খৎনবনি হায়বরোমদা মীয়াম্না শৌগৎনখিবনি। অসিদসু নত্তে তম্পাকলোমদা চথরকখিবা আইনগী মায়োক্তা লৈবা খুদিংমক অমত্তা লেম্না থাখিদ্রি।

হন্দক্কী মতাং অসিদি য়োৎতি শারিঙৈদা য়ৈহৌ হায়বগুম লৈঙাক্লা মতাং চানা, মতম চানা থবক লোইশিনহৌবগী তঙাইফদবা অদু লাক্লে হায়বা তাই। মদুদি লমদম অসিদা নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজেন্স (এন আর সী) চৎনহন্দুনা অসামদা তৌবগুম মীতোপ তান্থোকখিবা মতাং চারে। মসিদগী থেংথখ্রগদি মঙম শাল্লরোই। অমরোমদসু মৈতৈশিংনা সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী ষ্টেটসতা চলহৌনবা হায় কোর্টকী ওর্দরসু লৈঙাক্লা ইনবিবা মথৌ তারে। সেন্ট্রেল লৈঙাক্তগী মতিক চাবা ফোর্স থাজিল্লক্তুনা ঈরাং লোইশিন্নবা হোৎনরক্লবসিদা লৈঙাক্লা তৌহৌবা য়াবা অচুম্বা খোঙথাং লৌখৎহৌবা চুম্লে হায়নীংই।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা ইস্যু খুদিংমক লৈঙাক্লা মতাং চানা লোইশিনহৌরগদি ঙসি পাল্লিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি তুংগী মীরোলশিংনা শোয়দনা শোন্নহৌগনি খল্লি। মতাং অসিদা লৈঙাক্কী অকনবা মীৎয়েং চিংশিহন্নীংই। ●

# ইমালোল য়োকখৎনবা লোলয়ান শীজিন্নবা থিংবগী তঙাইফদবা - ৭

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

৫) মশাগী মমালোন ঙাঙনীংদনা মীরোল ওইনা য়াম্না ঙাঙনীংবসি মশানা মশাবু মশক খঙজদবদা নত্তনা মশাগী ফুরুপ্পু হন্থনা লৌবনি হায়গনি।

১) মীগী মরোল য়াম্না খঙ হৈরবনি উৎনীংবা/তাক্লিংবা :- মীরোল ঙাঙবা অমদি ইবা হৈবা মীওই অমনা মশানা করিগুম্বা অমগা মরী লৈননা মীয়াম্না পাম্নবা থবক অমা তৌরুবগীদমক মী মশাদুগী মরম অমদি মানা তৌরুবা থবকশিংদুগী মরমদা খঙনীংবদগী মীরোলদা ৱাহং খরা হংবদা অনীমক্কী ফাওনলোল ওইবা মীরোলদুদা পাউখুম পীবদা ঙাঙলিবা মীরোলদু ঙাঙলিবা মশাগীদমক্তসু লোলয়ান নত্তে হায়না লৌগনি। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা, ইরোল তিন্নবা অমনা ইমালোলদা ৱাহং হংবদা ইরোলদা ওইনা খুমগদবদা, ইরোলদা মীরোল ময়াম অমা থেৎচিল্লগা ঙাঙলবদি পাউখুল্লিবা মশাসি মীরোল য়াম্না খঙ হৈরবনি হায়বসি উৎনীংবনি/তাক্লিংবনি হায়না লৌগনি। মীরোলনা লোলয়ান ওইরগা পাউখুম পীবা মতাংসিদা য়াদে হায়বদি লৈত্রবসু, লোলয়ান শীজিন্নদবা হায়বগীদমক মীরোল খঙই উৎচনীংবা/তাকচনীংবা হায়বা ৱাফমসি থোরকপনি।

২) মশাগী মমালোল ফজনা খঙদে হায়বদা লেমজবনি খঞ্জবা :- হৌজিক্কী খুন্নাইসিদা য়াম্না পাম্না তৌনরক্লিবা থৌওংনি। ইমুং অমগী মপা-মমা/মপু-মবেন/মখুরা-মনেনচিংবনা ইচাসি/ইশুসি/ইচা-ইয়াসি মশাগী চহী অহুম খরদমক হেল্লক্লি অদুবু মৈতৈলোল খঙদ্রে, হেক য়াহৌবগা মীরোল - ইংলিস ওইনা ঙাঙলে, অদুনা ইংলিসতা ওইনা ৱারী শানরে য়াম্না কন্না হায়নবা চৎনবী অমা ওইরক্লি। মসিগী মাঙজবা অমদি তোংজবসু শোয়দনা লৈগনি। মাঙজবনা - মৈতৈ মচা/মীতৈ মচা অমা ওইনা পোক্লগা মমালোল খঙদ্রবদি খুন্নাইগী চৎনরোল করম্না খঙগনি। অয়াম্বা মীগা পাউ ফাওনবা ঙম্লরোই। মীয়াম তিনবা মফমদা চুম্বোই চুমদবোই, মরোল ইখোই খোইনা ঙাঙলবদি অতৈনা শোয়দনা নোক্লবীগনি। মমৈথংদা মশা মতোমতা ইকায় ফিরুক খুম্বা হায়বদু ওইরক্কনি। তোংজবদনা - হৌজিক্কী খুন্নাইগী ওইনা মীরমগী ওইবা মওংদা অঙাংশিংদা মহৈ মশীন তম্বীবদা মীগী মরোল মরু ওইনা ‘ইংলিস’ তা ওইনা তম্বীবা, মদুগীদমক ‘ইংলিসনা লাইরিক তম্বীবগী পান্বে-মীরোলদা মীদিয়ম ওইবা মহৈকোল/মহৈ লোয়শঙদা মচা-মশু থারগা লাইরিক তম্লি/তমহনগনি হায়বা লেমজবা অমা ওইনা খন্নরকপা/অমাঙ অতোং য়েংনবদা মীরোলদা মীপাল তাংবা হায়বগী ফজদবা চৎনবী অমা ওইরপসিনি।

ইমালোল ঙাঙবা অমনা ইমালোল ঙাঙফম থোকপা অমদা - অনীমক লাইরিক্তি অদুম হৈনরে হায়নসু খনবদা করিগুম্বা মরম অমগী/খরগীদমক ইমালোলদা ৱাহং হংবদা অকোনবগীদুনা মীগী মরোলদা ওইনা পাউখুমলকপা তারবদি পাউখুল্লক্লিবা মশানা খল্লিবসি/খঙহন্নীংলিবসি মওং অনীদনি হায়না থমজগে। অহানবদা, মমালোল ওইরিবা লোলসি ফজনা খঙদে; অনীশুবদনা ইমালোল ঙাঙলবদি অতাবা মীনা মশাবু চাওখৎতবা/লাইরিক হৈতবা মী অমনি খনখিনি হায়বা অমা/মশানা খঞ্জরিবা ৱাখল অনীমকসিদি লোলয়ান শীজিন্নদবা হায়বা মীৎয়েংদগী য়েংবদা পুল্লান লাল্লি হায়রোইদবগী মরম লৈতে। মসিদি ৱাখল থেনবা, লাইরিক হৈরগা লাইশু খঙদবা মীওইশিংনা তৌগদবা থৌওংনি, খনগদবা ৱাখলনি। মসিদি মশা মতোমতগী ওইবা চন্নফম লৈতবা/কান্নদ্রবা নাপলনি। নৌরিঙৈদা য়ৈথেক্কদবনি।

৩) মমালোল খঙদে হায়নীংবনা মমালোল য়োকখৎপা পামদে উৎথোকপা - মসিদি উচিকল্লক মশাগী ময়ূম/মরল মথুম মৈ থাদোকপা/মাঙহনবা হায়বদুগুম্বনি। য়েৎনীংবা/মশাগী ৱাখল চুম্না খনবা ঙমদবদগী, মীগী মরোলনা হেন্না ফৈ হায়নীংবদগী মমালোল খঙদে হায়বনা ফগদ্রা খনবদগী ইতাও তাওনা মমালোল খঙদে হায়দোকখিবা/নাকল অমরোমদা অমুক মৈতৈ/মীতৈ মচাদি ওইরগা চহী মতম য়াম্না শাংনা মীরোল ঙাঙবশিংগী মরক্তা করিগুম্বা মরম অমদগী মীরোৎ ওইনা লৈবদগী তশেংনা মমালোল ফজনা ঙাঙবা ঙমদবদগী ঙাঙনীংদদনা ঙাঙদবা অদুগুম্বা মীশক খরদু নত্তনা তৌগে হায়বা অমগা লোয়ননা মীরোল য়ানশিন্না হায়নীংবগী ইথিল লৈবশিংনদি মমালোল য়োকখৎপা পামদে হায়বসি অদুম উৎথোকচবনি। মহাক্লা মমালোল য়োকখৎনীংলবদি মতম কুইনা ইমালোল ঙাঙনবগী খুদোংচাবা ফংদবনা মরম ওইদুনা ইমালোল খঙদ্রে অদুবু য়োকখৎনবগী খুদোংচাবা ফংলবদি অঙম্বা থৌদাং লৌনীংই শোয়দনা হায়গনি। মপান লৈবাকশিংদা লৈবা কয়া অমদি মৈতৈলোল ঙাঙলি।

ইরমদম মতম শাংনা থাদোকপনা ইমালোল ঙাঙনীংনা ঙাঙবা ফংদ্রবা ইফুরুপচা অমা ঙসিদগী চাওরাক্লা চহী নিফুগী অদুৱাইদা ন্যু জলপাইগুরি রেলৱে ষ্টেসনদা থেংনরকখিবসি মতমদুদদি থোইনা খনখিদে। অদুবু হৌজিত্তুদা মতাং চারুবদগী নীংশিংলকই। ইম্ফালগীদা লৈবা লম অমদগীনি। মহাক্লা মশাগী অশেংবা পোকফমদুদি তাক্লিংদবদগী হংদ্রে। মহাক্কী মপা মমা লৈখিদ্রবা মতুংদা নুপী থিরবা ময়াম্বা, মতৈমগা মখোয় অহুম লৈহৌই। মতৈমনা মাবু য়াম্না তাথী তাওইনা তৌবসি ময়াম্বা খঙনা খঙনা খঙশিন্নদে। য়াম্না ৱানা খাঙদুনা মতম লেল্লবা মতুংদা ময়াম্বগী মচানুপা অমা ফংলম্মী। অঙাংদুগী চহী মঙামুক শুরকপদা ময়াম্বগী মচাদুনা কাকা হায়না কৌদুনা য়াম্না নুংশিনা লোয়নরকখি। মচানুপা লৈরক্লবা মতমদুদনা হেন্না মাবু তাথী তাওইনা তৌবা হেনগৎলক্লম্মী। মতৈমনা তৌ হায়বা থবক মখৈ তৌই। অদুবু মতমদুদা মশাগী চহী ১২/১৩ রোমদমক শুরিবনিনা নোংমা ফাদোক মমান্নবশিংগা শান্নবা চৎলুরগা হল্লকপদা চাক মপুক থন্দনা পীজরগা যূমগী থবক ময়াম অমা তৌহল্লি। করিগুম্বা মতমদসু মাবু যূমদুদা লৈরনু নঙনা থোকপা চৎখ্রো হায়না ময়ূমদা চঙহন্দবসু তোয়শিল্লক্লম্মী। নোংমদি শাউবদগী ময়ূমদা চঙলরোই খল্লগা মথোং মরম খঙদনা থোরকপদা অৱাং বি ও সীদা মণিপুরগী ৱাংমদগী পোৎ চিংবা চৎকদবা ত্রক অমা খামদুনা লৈবদুদা মা গাড়ী চাম্বা তৌজগে মাগী মী কনাসু লৈতে হায়বদুদা নুংশিবীদুনা ত্রকতু তোংলগা চৎলে। কদায়দা চৎলিবনো করিমত্তা খঙদে। মখোয় অনীগা চাক চামিন্নরে। গাড়ী হেক থাবগা গাড়ীগী অমোৎপা পকপদু ফি অমা পায়রগা তৈথোকই। অদুদগী মহাক থম্মোয় য়াম্না শোক্লা কপ্পকখি। ঐ ঙাইহাক ৱাখল তাবা ঙমখিদে। মরক্তুদা ষ্টেসনগী মী অমনা “অরে খানসা আওনা” হায়বদগী চৎলুরগা পুঞ্জায়মুক্কী মতুংদা হল্লকখি। ঐগা ইমান্নবা অমগা ঐখোয় অনী মৈতৈলোলদা ৱারী শান্নবা তাবদা মরোল য়াম্না খোইনা ইম্ফালদগীরা হায়না হংলকপদগী ঐখোয় অনীনা হোয় হায়না খুম্বদগী ৱারী শান্নরকপনি। ইম্ফাল কমদৌরি, মৈতৈলোল ঙাঙদবা য়াম্না কুইরে। নেপালি লোল ওইনা ঙাঙলে, মীনা ঐবু খানসা কৌই, ঐসু অদুম খুমই। মৈতৈলোল ঙাঙলবদি ঐ মৈতৈ মচানি খঙখ্রবদি সিদা লৈবা নুংঙাইরোই খনবদগী ইমালোল ঙাঙনীংলবসু ঙাঙদনা য়াম্না ৱানা খাঙই। লাই খুরুম্বা চৎপা অহল নুপা-নুপী ময়াম লাকপদু য়েংবদা/উবদা পূক্নিং য়াম্না নুংশি। ইতোমতা কপচৈ। ত্রেন শিন্দোক শিনজিন তৌবদা মহাক্লা মতেং য়াম্না পাংবীরকই। ঐখোয় অনীনা লুপা ১০০ পীবদা লৌ হায়বা য়াদে। কায়নরমদাইদা মাগী মমিং ‘ইবোমচা খানসা’ কৌই হায়রকখি। মখোয় অতৈনদি ‘খানসা’ হায়রগা খঙনৈ। মহাক্লা ইম্ফালদা লৈরিঙৈদা মরাল অমা লংশিল্লুরগা মীরোৎ ওইনা মফমদুদা লৈবা নত্তে। মশাগী মমিং ইবোমচা হায়বসিনা মৈতৈ মচানি, লোলনা মৈতেলোলনি অদুবু মফম মতমগী মতুংইন্না মফমদুগীদা মশাগী মমিং ‘ইবোমচা খানসা’ হায়বদা লমদমদুগী মীশিংনা ‘ইবোমচা’ হায়বদা হৈনদবা অদুম হায়না ঐখোয়না মীরমগী মমিং হায়বদা নুংঙাইতবা/খূৎলোইদবা অদুগুম্বনি। হৌজিক হিংলমখিগদ্রা শিরম্লগদ্রা হায়বদি খঙদ্রে।

৪) মমালোন খঙদ্রবনিনা মাবু পোকপা-পোকপী মমা-মপাগী হৌরকফম খঙদে তাকপা :-মালেমদা লৈরিবা ফুরুপশিংগী মখোয় মশা মশাগী ওইবা ‘ময়েক অমদি লোল’ লৈজবশিংগীদি - “ইয়েক্লা ইপানি অদুগা ইরোলনা ইমানি’ হায়নরিবনি। অনীমক তুনা খঙববু মপা-মমাগী হৌরকফম খঙবা হায়বা য়ারিবনি। মরমদি মালেমগীদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা য়ামখ্রবা ফুরুপ মশীংশিংসিগী চানবা মরোলশিং লৈরিবনি। করিগুম্বদা ময়েক্তা নৎত্রগা মরোলগী খোন্থোক্তা হায়ফেৎ মান্নবা খরা য়াওরবসু পুংমান মান্নবদি শুকয়াও য়াওরোই। ময়েক অমসুং মরোলদুনা মালেমদা করি লমদা লৈবা করম্বা ফুরুপনো হায়বসি মশক তাক্কদৌরিবনি। ●